# মণিপুরগী নেরোকা আইজোল এফ সীগী মখূৎতা ১-২দা মায়থীবা নংখ্রে, রিয়াল কাশ্মীর এফ সী অমসুং গোকুলম কেরলা দ্রো চংখ্রে

I-LEAGUE

কোলকাটা, জন্যুৱারী ৩০(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল ক্লবশিংগী মনুংদা মমিং লৈরক্তুনা হিরো আই-লীগতা শান্নবা ঙন্নিবা নেরোকা এফ সী ঙসি কোলকাটাগী মোহন বগান গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লীগ অসিগী ২৪শুবা মেটচতা আইজোল এফ সীগী মখূৎতা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা রিয়াল কাশ্মীর এফ সী অমসুং গোকুলম কেরলা এফ সী পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চংখ্রে।

কোলকাটাগী মোহন বগান গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা হিরো আই-লীগকী ২৪শুবা মেটচ অদুগা রাউন্দগী মতুংইন্না ৫শুবা ওইরিবা অদুদা মণিপুরগী নেরোকা এফ সী অমদি মিজোরামগী আইজোল এফ সীগা লন্বা তৌনখিবনি।

মেটচ অদুগী হৌরকপা পুংখায় অমরোমগী মতম ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লাকখি। ঙসিগী মেটচ অদুগী মাংওইননা আইজোল এফ সী অহানবা মেটচ ৩দা পোইন্ট ৪ ফংলগা টিম ১১না লন্বা তৌরিবা লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা নেরোকা এফ সীদগী গোল দিফরেন্সতা হন্থরগা ১০শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, মণিপুরগী নেরোকা এফ সী মমাংগী মেটচ ৩ শান্নবদা পোইন্ট ৪ ফংলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈরমখি।


মণিপুরগী নেরোকা এফ সীবু হিরো আই-লীগতা ২-১দা থোইরম্বা আইজোল এফ সীগী শান্নরোয়শিংগ

ঙসিগী মেটচ অদুগী ৩৭শুবা মিনটতা আইজোল এফ সীগী মায়কৈদগী লালদিনপুৱানা য়াম্না ফজবা হেদিং অমগী মতেংনা পাঞ্জল ওইদুনা নেরোকা এফ সীবু ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। নেরোকা এফ সী মখোয়গী মমাংগী মেটচতা গোকুলম কেরলাগী মখূৎতা য়াম্না শোত্থদুনা পাঞ্জল ১-৪দা মায়থীদুনা লাকখিবনি। ঙসিগী মেটচ অদুদা আইজোল এফ সীনা অহানবা হাফতা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী মিনট ৪৫ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ৪ চঙশিল্লকপদা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী ট্রিনিদার্দ এন্দ টোবেগোগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় জুদা ইমান্যুএল গার্সিয়ানা ৪৯শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা টিম অনীমক মখা তানা লন্বা মান্ননা অমুক শান্নরকখি।

মেটচকী ৫৬শুবা মিনটতা আইজোল এফ সীগী ষ্ট্রাইকর মালসুৱামজুলানা পাঞ্জল অমগা চল্লগা নেরোকা এফ সীবু ২-১দা মাঙজিল থাদুনা লৈবা ঙমখি। পাঞ্জল অমা শোত্থরবা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী আইজোল এফ সীগী মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা ইক্বেলাইজর অদু ফংননবা হোৎনরকখি। অদুবু মণিপুরগী ক্লব নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা য়াবগী খূদোংচাবা ফংবগী তাঞ্জা লৈখিদবনা মরম ওইদুনা মেটচ অদুগী অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল অমা শোত্থরগা ১-২দা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ১০শুবা পোজিসনদা লৈখি। অদুগা আইজোল এফ সীনা ঙসি মায় পাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা মেটচ ৪দা পোইন্ট ৭ ফংলগা চর্চিল ব্রদর্স এফ সীগী মথংদা অতোপ্পা মণিপুরগী ক্লব ট্রাও এফ সীদগী গোল চনবগী মশীং হেন্দুনা পোইন্ট মান্নরবসু অনীশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখি।

ঙসি কোলকাটাগী কল্যানি ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা রিয়াল কাশ্মীর এফ সী অমসুং গোকুলম কেরলা এফ সী লন্বা তৌনখি। গোকুলম কেরলা এফ সী মমাংগী মেটচ ৪ শান্নবদা পোইন্ট ৬ ফংলগা ৪শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। অমরোমদা মখোয়গী লন্বা ওইখিবা রিয়াল কাশ্মীর এফ সী মেটচ ৩ শান্নবদা পোইন্ট ৫ ফংলগা ৭শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা গোকুলম কেরলা এফ সীগী মায়কৈদগী মায় পাক্লনবা হোৎনখিবা অদু কান্নবা ফংখিদে। করিগুম্বা মখোয়না ঙসিগী মেটচ অদু মায় পাকপা ঙম্লম্লবদি হান্না ফংলম্বা পোইন্ট ৬তগী ৩ হাপচিল্লগা পূন্না পোইন্ট ৯ ফংদুনা অনীশুবা থাক্তা লৈরমগদবনি। অমরোমদা, রিয়াল কাশ্মীর এফ সী পোইন্ট ৫ ফংলগা ৭শুবা পোজিসনদা লৈখি। মখোয়সু মেটচ অদু মায় পাক্লগা অপূনবা পোইন্ট ৩ ফংদুনা মখোয়না লৈরম্বা পোজিসন অদুদগী হেনগৎনবা হোৎনখিবনি। টিম অনী শান্নবগী অপীবা মতম লোইশিল্লবা ফাওবদা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখিবদগী পোইন্ট অমমম্ য়েন্নখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Churchill Brothers | 5 | 3 | 2 | 0 | 9 | 3 | 6 | 11 |
| 2 | Aizawl | 4 | 2 | 1 | 1 | 5 | 3 | 2 | 7 |
| 3 | TRAU | 5 | 1 | 4 | 0 | 7 | 5 | 2 | 7 |
| 4 | Gokulam FC | 5 | 2 | 1 | 2 | 9 | 8 | 1 | 7 |
| 5 | Real Kashmir | 4 | 1 | 3 | 0 | 4 | 2 | 2 | 6 |
| 6 | Mohammedan SC | 4 | 1 | 3 | 0 | 3 | 2 | 1 | 6 |
| 7 | Chennai City FC | 4 | 2 | 0 | 2 | 3 | 5 | -2 | 6 |
| 8 | Sudeva | 5 | 1 | 2 | 2 | 4 | 4 | 0 | 5 |
| 9 | Punjab FC | 5 | 1 | 2 | 2 | 4 | 5 | -1 | 5 |
| 10 | Neroca FC | 4 | 1 | 1 | 2 | 7 | 7 | 0 | 4 |
| 11 | Indian Arrows | 5 | 0 | 1 | 4 | 3 | 14 | -11 | 1 |

# টি ৰাই দি এ তৌবুলনা এল এন এফ সী উৎলৌবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০(ঐচএনএস): হয়েল য়ং পোপ্যুলর ক্লবনা শীন্দুনা চত্থরকপা ৪শুবা ষ্টেট লেভেল ৭-এসাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা টি ৰাই দি এ তৌবুলনা লাইকোম নিংথৌ এফ সী উৎলৌবু পাঞ্জল ৫-৩দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা অহানবা টিম ওইখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা ইবুধৌ ইকোপ নিংথৌ মরূ নোংশাবা শান্নবুংদা এল এন এফ সী উৎলৌ অমদি টি ৰাই দি এ তৌবুলনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমীফাইনেল লন্বা তৌনখি। উচিৱা গ্রাম পঞ্চায়ট, প্রধান ট্রোফি ২০২১ হায়নসু খঙনরিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি সেমীফাইনেল মেটচ অদুগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরমদা গ্রাম পঞ্চায়ট অদুগী মেম্বর অলহজ মনোজনা চীফ গেষ্ট ওইখি, উচিৱা মমাং লৈকাইদগী সোসল ৱর্কর কোংখাম নিংথৌ মৈতৈনা থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইরগা গ্রাম পঞ্চায়ট অদুগী ৱার্দ নম্বর টুগী মেম্বর অমসুং ৱার্দ নম্বর ৫গী মেম্বর মথংশিংনা অথোকপম অঙৌ অমসুং হৈক্রুজম মনি মৈতৈগা লোয়ননা ইবুধৌ ইকোপ নিংথৌ মরূ নোংশাবা থৌগল লূপকী প্রসিদেন্ট থোকচোম দামু মৈতৈনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা টি ৰাই দি এগী মায়কৈদগী ফজবা হেনখিবনা মরম ওইদুনা টিম অদুগী শান্নরোয় নানিনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিনখি। অহানবা হাফতা শোত্থরম্বা এল এন এফ সীগী শান্নরোয়শিং অনীশুবা হাফতা মখোঙ শিংবা হেনগৎলকখি। মেটচকী ইক্বেলাইজর অদু টিম অদুগী মায়কৈদগী দিঙ্কুনা চন্দুনা লন্বা অমুক হন্না মান্নরকখি। পাঞ্জল মান্নরবা মতুং টি ৰাই দি এগী মায়কৈদগী দয়ানন্দ অমদি জিনবীলুংনা পাঞ্জল অনী থংননা চনশিন্দুনা ৩-১দা মাঙজিল থাখি। অদুবু এল এন এফ সী গুবিননা শোত্থখিবা পাঞ্জল ২গী মনুংদা ১ হন্দোক্লগা ২-৩দা লৈনখি।

টি ৰাই দি এগী মায়কৈদগী বুংচানা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা টিম অদুনা এল এন এফ সীবু ৩-২দা মাঙজিল থারম্বা অদু ৪-২দা অমুক্কা হেন্না ফজ হনবা ঙমখি। কন্না হোৎনরকখিবা এল এন এফ সীগী লিন্থোইনা পাঞ্জল ১ হন্দোকপা ঙমখ্রবসু মেটচকী লোইশিল্লকপদা টি ৰাই দি এগী হেরোজিৎনা পাঞ্জল ১ চনশিন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না এল এন এফ সীবু পাঞ্জল ৫-৩দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

# সভেন এ-সাইদ ওপন ফূটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস): পাঙল ষ্ট্যুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (পি এস ও) মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি ফর্ষ্ট ষ্টেট লেভেল (লেট) ইমা সারা বিবি মেমোরিয়েল স্পোর্টস মীট কম সভেন এ-সাইদ ওপন ফূটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১-২২ পোরোম্পাৎতা লৈবা ষ্টার স্পোর্টিং ক্লবকী প্লেগ্রাওন্দদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা পোরোম্পাৎ পি এসকী ও সী এম বিনোদকুমার, তোপ নাওরিয়া গ্রাম পঞ্চায়তকী প্রধাণ মংশাতাবম দিনচন্দ্র, চঙমদবি গ্রাম পঞ্চায়তকী প্রধাণ নোমিনী এমদি কমারুদ্দিন শাহ, ষ্টার স্পোর্টিং ক্লবকী প্রসিদেন্ট অব্দুল রাজাক, অমুকোগী প্রসিদেন্ট পিঐচ নন্দো লুৱাং, এম এস এফকী প্রসিদেন্ট বি এম শাজাৎ, এ এম এম দি ওগী প্রসিদেন্ট এমদি জাকির হুসেন, য়ু এম পি ও মণিপুরগী চীফ কোওর্দিনেটর অকবর সানি, য়ু এম পি ও মণিপুরগী প্রসিদেন্ট অদিয়েল য়ুমখায়বম অমসুং পি এস ওগী প্রসিদেন্ট বি এম জি সাননা মরু ওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

পাঙথোক্কদৌরিবা ওপন ফূটবোল টুর্নামেন্ট অসি মথং থাগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কনি। চাউরাক্লা টিম ৩০রোম্না টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারি হায়না পাঙল ষ্ট্যুদেন্টস ওর্গনাইজেসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এমদি ইমরাননা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা মখা তারদুনা, লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিং ময়ায় কাবা চীঞ্জাক্তগী লাপথোকহন্নবা হোৎনবদা স্পোর্টসনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। নহাশিংবু ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী কন্নবগী পান্দমদা অমদি লৈখিদ্রবী ইমা সারা বিবি নীংশিংবা ওইনা টুর্নামেন্ট অসি শীনবনি হায়রি।

# ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা নোংমদা ভাবোক লিশিং ৩০ মীৎয়েং তাহনগদৌরি

সিদনি, জন্যুৱারী ৩০(এজেন্সী): চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ৮দগী হৌগদৌরিবা অহানবা টেন্নিস মশান্নগী গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা মমাংদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্টশিং অদুদা মীৎয়েং তাবা লাকখিবা ভাবোকশিং অদুগী মশীং চাদা ৫০ হন্থরগা নোংমদা ভাবোক লিশিং ৩০ তোঙান-তোঙানবা মেটচশিং মীৎয়েং তাহনবা য়াহনগদৌরি।

ৱাফম অসি ভিক্টোরিয়া ষ্টেট স্পোর্টস মিনিষ্টর মার্টিন পাকুলানা ঙসি ফোঙদোকখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা মেটচ মশীং য়াম্না লৈতবা মতমদা ভাবোক লিশিং ২৫দা মশীং লেপকদৌরি। অদুবু মেটচ মশীং য়াম্না লৈবা নুমীৎশিংদনা ভাবোক মশীং অদু নোংমদা লিশিং ৩০ য়ৌহনগনি হায়না পাউমীশিংগা ৱারী শানবা অমদা ফোঙদোকখিবনি। টেন্নিস মশান্নগী ওইনা কোভিদ-১৯না চৈথেং পীরবা মালেমগী মফম খূদিংমক্তগী খ্বাইদগী চাওনা পাঙথোক্কদবা অহানবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা পূন্না নুমীৎ ১৪নিগী মতম অসিদা য়ামদ্রবদা টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকফম ওইরিবা মেলবোর্ন পার্কতা ভাবোক লাখ ৩,৯০,০০০ রোম মীৎয়েং তাবা ফংগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা য়াম্না অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং হৌজিক-হৌজিক ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরিবনি। অশোয়-অঙাম য়াওদনবা হোৎনবদা মীয়ামগী মতেং ফংখি হায়রি।

HL-P/8547/13 to 31




# য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী তোঙান-তোঙানবা ফম কয়া কৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জ ইম্ফাল ৱেষ্টকী এসিষ্টেন্ট ইমপ্লোয়মেন্ট ওফিসরনা ঙসি থোকখিবা নোটিস অমগী মতুংইন্না দিরেক্টোরেট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসতা তোঙান-তোঙানবা ফম মঙা কৌরি হায়রি।

অহানবা পোষ্টতা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী হাই পর্ফোর্মেন্স মেনেজর অমগী ফম কৌরি। অনীশুবা পোষ্টতা আর্চরি, হোক্কী অমসুং ৱেঠ লিফটিংগী হেদ কোচ অমগী ফম হাঙদুনা লৈরিবা অসি মেনশিন্ননবা কৌরি। হায়রিবা মথক্কী পোষ্ট অনী অসিগী মখোয়গী স্পোন্সরশিংনা নৎত্রগা মশামক্লা পীশিনগদবা অরোইবা নুমীৎ অদু ফেব্রুৱারী ৩দগীনা ৪ ফাওবা ওইগনি হায়রি।

মখা তানা দিরেক্টোরেট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী য়ুঠ প্রোফেসনেলগী ফম অমা, নিট্রিসিনিষ্টকী ফম অমা অমদি মাসুরগী ফম অমসু কৌরি। হায়রিবা ফম অহুম অসিগী ওইনসু স্পোন্সর তৌরকপা অমদি মশামক্লা ফম অসিগী মতাংদা এপ্লিকেসন পীশিনবগী অরোইবা নুমীৎ অদু ফেব্রুৱারী ৫দগীনা ৮ ফাওবা ওইগনি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্টকী এসিষ্টেন্ট ইমপ্লোয়মেন্ট ওফিসর এন সদানন্দনা থোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ফাইনেলদা বরোদা অমসুং টামিল নাদু লন্বা তৌনরগনি

অহমেদবাদ, জন্যুৱারী ৩০(এজেন্সী): কুমজা ২০২০গী মার্চ থাগী লোইশিল্লকপদগী হৌরদুনা মালেম পুম্বা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরদুনা শান্নবগী হীরম খূদিংমক্তা অপনবা লৈখিবা অদুগী মতুং ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা দোমেষ্টিক ক্রিকেটকী টুর্নামেন্ট ওইরিবা সায়দ মুষ্টাক অলি ট্রোফি টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা বরোদা অমসুং টামিল নাদুনা লন্বা তৌনরগনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা বরোদানা পঞ্জাবপু রন ২৫দা থোইখিবনি। অদুগা অঙনবদা শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদনা টামিল নাদুনা রাজস্থানবু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখি।

বরোদা অমদি পঞ্জাবনা শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচ অদুগী টোস পঞ্জাবনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌবদা বরোদানা ওভর ২০দা বেটসমেন অহুম আউট ওইরগা রন ১৬০ লৌখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী কেপ্টেন কে দেবধরনা রন ৬৪ লৌখিবা অমদি কার্থিক কাকাদেনা রন ৫৩ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজখি।

মায় পাক্লবা হোৎনরকপদা পঞ্জাবকী ইন্নিংস অদু ওভর ২০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৩৫দা লোইশিনখিবদগী মেটচ অদু বরোদানা রন ২৫দা থোইখিবনি।

অহানবা সেমীফাইনেলদা রাজস্থাননা টোস ঙম্লগা বেটিং হান্না তৌরকপদা রন ১৫৪ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা টামিল নাদুনা ৱিকেট ৩খক তুরগা রন ১৫৮ লৌদুনা মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৭তা থোইখি।

সায়দ মুষ্টাক অলি ট্রোফি টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল হয়েং শান্নরগনি।




EMPLOYMENT NEWS

☞ 22 to 28 yrs Office Asst. ওইনিংবা মীওইশিংগী ওইনা Keishamthong (Imphal Branch), Nambol, Samurou অমসুং Sekmai গা নক্লবা মীওইশিংগী ওইনা Post 2/2 পামজৈ।

☞ 2 Wheeler Mechanic 2, Car Wash Helper 2, Car Driver 1, Tyre Fitting Helper 2, চেক্কী Jugali 3 অথুবদা পামজৈ।

Please Contact :
M.B. Singh
Mobile No. 8413973840

HL-B/6672/5/1-4/3(alt)

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### ভোটকী ভেল্যু খঙনা লৈবাক মীয়াম্না ভোট থাদরবদি মাঙজিল থাবা লমদম ওইবা ঙমগনি



ইন্দিয়া হায়বা লৈবাক অসি মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা দিমোক্রেসি চৎপা খ্বাইদগী চাওবা লৈবাক অমনি। লৈবাক অসিদা চহী খূদিংগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা মীখল পাঙথোকই হায়বা য়াই। অদুবু ঙসি ফাওবদা ভোটকী ভেল্যু লৈবাক মীয়াম্না খঙদবগুম তৌরি। পোৎশক খূদিংমক্কী অফ-ফত্তবা অদুমক লৈগনি। অদুবু পোৎশকশিং অদুগী অফ-ফত্ত খঙনা থবক তৌরবদি মদুগী কান্নফম লৈগনি। লৈঙাক্কী থবক তৌরিবা মীওইশিংসু অমগা অমগা তলব খেন্নে। করিগুম্বা খেন্নবা অসি লৈরমদ্রবদি থবক তৌবদা মথক নাইরক্লোই। লোয়শঙগী থবক পুম্বা মঙম শাল্লোই। ভোটরগী ভেল্যু চপ মান্নদবদগী ভোটকী মতমদা অমনা অমবু উশিন্নরক্তে। আই এ এস ওফিসর অমগা লাইরিক হৈতবা অমগগী মরক্তা খেন্নবা লৈত্রে। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা করম্বা মীনা ভোট লেপকদবনো অমদি করম্বা মীদা ভোট থাদগদবনো হায়বা খঙনদ্রে। ঙসিগী ওইরিবা ফিভম অসিদা তশেংনা হায়রবদা শেল য়াম্না য়েনবা ঙম্বা মীওইদা ভোট থাদরে। মসিনা ভোটকী ভেল্যু লৈহন্দবগা লোয়ননা লৈবাক লৈখা তারক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইরিবনি। মরম অদুনা ঐখোয় পুম্নমক্না ভোট মমল খঙনা অফবা মীদা ভোট থাদসি।

❒ সোরোখাইবম ওজিৎ, লমদিং

### মিনিষ্টর, এম এল এশিংনা মাগী মাগী এ সীশিংদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অখন্নবা য়েংশিলহন্নিংই



ষ্টেট অসিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংশিংগী মনুং চন্না মিনিষ্টর, এম এল এশিংনা মাগী মাগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা পায়খৎলিবা থবকশিং হৌজিক্কী মরূ ওইনা ঈরম নালা শেম্বা, লৈরক-খুল্লক কোইলাস থাবনচিংবগী থবক কয়া পায়খৎলি। পুম্নমক অসি অফবা খোঙথাংনি, তৌবতবু শেম-শাবগী পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসি তশেংনা ক্বালিটি লৈনা থবক তৌরিব্রা হায়বগী মতাংদা মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিংনা হকথেংননা য়েংশিনবগী তঙায় ফদবা লৈরি হায়জনিংই। লোয়ননা থবক শুরিবা অমদি থবক পায়রিবা মীওইশিংনসু মানা মানা শুরিবা থবকশিং অদু মশামক্কী ময়ূমগী থবক্কি খন্না শুবা মথৌ তাই। লোয়ননা খুনগী মীওইশিং অমদি দিভলপমেন্ট কম্মিটিশিংনসু শুরিবা থবক অদু নিয়ম চুম্না শুরিব্রা নৎত্রগা অরানবা মওংদা তৌরিব্রা হায়বদুসু য়েংশিনগদবনি। মদুনা শুরিবা থবক অদু ক্বালিটি লৈবা থবক অমা ওইবা ঙমগনি। মিনিষ্টর, এম এল এগা নক্লবা মরী-মতা নৎত্রগা ৱর্করশিংনা তৌনিংবা মওংদা থবক তৌবগী চৎনবী অসি থাদোকপা তঙায়ফদে।

❒ ৱাংখৈরাকপম মাইপাক, নোংমৈবুং পুং মখোঙ

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/ hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com